# পীক্লিকৈঙেদা, য়াওশঙ স্পোর্টসতগী প্রাইজ য়াম্না লৌহৌনবা কন্না হোৎনরকখি ঃ এ নিমাই শর্ম্মা

রত্নেশ্বরী গোস্বামী

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৬ ঃ
কুমজা ১৯৪৮ গী মার্চথাদা, ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইদা লৈবা অরিবম চন্দ্রহাস শর্ম্মা অমদি অরিবম ওংবী পীশক দেবীগী অমত্তা ঙাইজবা মপারী ওইনা অরিবম নিমাই শর্ম্মা তাইবঙদা খোঙদাবীরকখি। পোক্লকপা মতমদা, শান্নরোই অমগী মগুন মশাগী লু-তোঙদা য়াওরকপনা, য়াম্না অঙাং ওইনা ভেটরান শান্নরোই অসি, স্পোর্টসতা খোঙদাবা হৌরকখি।

লাইরিক লাইশুগী মতাংদসু অহানবা ওইনা পেত্রিগু স্কুলদা লাইরিক তম্বা হৌরকখি। মথংদা মোইরাংখোমগী পুঙ স্কুলদা কারকখি। ক্লাস সিক্সতগীদি জোনষ্টোন স্কুলদা তম্লকখি। ভেটরান শান্নরোই অসিনা, অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ইহান হান্না শান্নরকখিবা অসিদি লমজেলনি। ঙল্লিঙৈ, য়াওশঙ মনুংদা স্পোর্টস চাওনা চাওনা তৌনরম্বা মফমশিংদা কোইচৎ চৎতুনা লমজেল চেল্লকখি। ধর্ম্মলয়দা, অকাম্পাৎতা তৌবা “স্পোর্টস মীট” তা মনা মথুম লৌবা ঙম্মনবা হায়দুনা মথন্তা হোৎনজরকখি। ইমুংগী লৈত-লাইরনা মরম ওইরগা, কুম অমগী মফম কয়াদা কোইচেন চেন্দুনা শান্নরুরগা ফঙলকপা বোয়-কলম-পেন্সিল, মোজাফুরিৎশিং অদুনা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা হোৎনরকখি। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা য়াওশঙ থা অসি য়াম্না মরু ওইনা খল্লকখি।

১৯৫০ গী লোইরমদাই, ১৯৬০ গী হৌরকপা মতমসিদা, ৱাংখৈ অমদি বামোন লৈকাই অনীগী মরক্তা লৈবা “শঙ্গাইপাৎ” হায়না খঙনবা পাৎসিগী ময়াইদা লৈরম্বা অচৌবা শান্নবুঙদা অঙাং ওইনা হোকি অমদি ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা, ইষ্টর্নগী চহীগী স্পোর্টস মীটতা য়াওদুনা শান্নবা ঙম্মনবা অহলশিংগী মরক্তা প্রেক্টিশ তৌবা য়াওরকখি। ইষ্টর্নগী ইন্টর ক্লবকী কম্পিটিশন অদুদা মায় পাল্লবদি ষ্টেট গেমসতা য়াওবা ফঙগদৌরিবনি খন্দুনা স্কুল ছুটি হেক থাবগা শঙ্গাইপাৎ তান্না চেল্লকখি। মরক্তগী হেক্তা শান্নহল্লি। মদুগুম্বদা ঐখোয় খুদোংচাবা ফঙলকখি। ঐগ্যা ইষ্টর্নদা শান্নবা ফঙদবদগী, ক্লবসি মথং মথং খায়দোক্লখিবা মতম অমসু লৈখি।




শান্নবদা মশক থোক্লা খোঙদারকখিবগী মতাংদা ভেটরান শান্নরোই অসিনা হায়, জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস আইট তম্বা মতমসিদগী ফুটবোলসি ঐহাক খরা বাসুদেব, য়াম্বুং অমুবীসনা, তা চুড়া মখোয়গী মতুংসু য়াম্না ইল্লকখি।

ঐগী মতমগী কন্না শান্নমিন্নরকপসিদি এল রাধাচরন,

## অকাওঙ পরৈ চল্লুরবশিং

মওং মরিন তানা শান্নরকখি। হোকি অসিদি উরু-ৱারুদগী শান্নবা হৌজরকখিবনি। সোমদা ইষ্টর্নগী অহলশিংগী মতুং ইন্নদুনা শান্নরকপদগী, হোকিসিসু মরক মরক্তা শান্নবা ফঙলকখি। মতম অমদা ইষ্টর্নগী লৈরম্বা হোকি প্লেয়রসিদি য়ামখ্রবজাৎনি। ষ্টেন্দ বাইদা লৈবসি মশিং থিবা ৱাবজাৎতুনি। ইষ্টর্ননা হোকি পাম্বসিদি হেক্তা হুপ্না শান্নবনি। ঐনা শান্নবা ফঙলকখিবসিসু ইষ্টর্নগী প্লে লৈবা নুমিৎসিদি চীণ্থরকপোৎতে। মদুদা কনাগুম্বা অহল অমা মশা ঙমদ্রে ঙসিদি শান্নবা ঙল্লরোই হায়রল্লবদি, খরা নহা ওইবা ঐখোয়গী কাঙবম ইন্দ্রমনি, জী চর্চিল, খোঙনবগী কুমারলাল, মাইপাক শর্ম্মা (খরদি জুনিয়রনি), ও রসবীহারী, লীশম ইবোবী, আর কে ব্রোজেন (মাসু ঐনা খরা হল্লি), কৈশাম মৈনো, নোংমৈবুঙগী ঐগী মরুপ চোঙথাম তেজকুমার (মঙলেম) অসিনচিংবনি।

ইষ্টর্ন অসিসু ঐখোয় মতমদদি, য়াম্না চাউনা কোল্লম্মী। লৈকাই খুদিংগী লৈবা ক্লবসিসু ফনা য়াম্বনি। হোকিদা ঐখোয়গী অহল লমনশিং য়াম্না ফরম্লবসু ফুটবোলসিদদি ঐখোয় ফনা কুইনা সিনিয়র “এ” কাবা ঙমখিদে। হোকিগী মতাংদা, প্লেয়র য়ামন্দুনা খোঙমন ষ্টুদেন্ট ক্লব, কোসমো অসিসু ইষ্টর্নদগী খায়দোকখিবা টিম ঙাক্তনি।

ফুটবোলদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী থৱাই হকচাং লুপ্না হোৎনজরকখিবা মীশক্তি ঐগী মরুপ তেজকুমারনি। মহাক্না ফুটবোলদা হোৎনরকপসিদি পুরা হেক্তা কখোল্লগা হোৎনরকপনি। মামক লৈরমদ্রবদি ইষ্টর্নগী ফুটবোলসি পাক হাইগৎপা য়ারম্লোই। ইষ্টর্ন ফুটবোল হায়রগদি, ঐদি তেজকুমারনা মীৎতা ইহান হান্না উই। শান্নবদি হৌরগা ইষ্টর্নসি কুইনা সিনিয়র এ কাবা সুকঙম ঙমখিদে। অমুক্তি “সিনিয়র এ” কানবা হোৎনসি হায়দুনা তেজকুমারনা কোইচেন চেন্দুনা নোংমৈবুঙ ষ্ট্যুদেন্ট ক্লবসিদা ঐনে, চর্চিলনে, রাধাচরননে য়াওরগা শান্নরকখি। অদুদগী, ক্লবসিগী প্লেয়র খরনে ইষ্টর্নগী হান্না লৈজবা খরনে পুনশিন্নরগা, অরিঙবা টিম অমা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা শেল্লকখি।

...মথঙ-মথঙ

# ইনচিওন এসিয়ন গেমসগীদমক রেষ্টলর ববিতা কুমারিনা অনৌবা লাল্লোং অমা পুথোক্লবা হোৎনরি

ন্যু দেল্লি, সেপ্তেম্বর ৬ ঃ
কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী রেষ্টলর ওইরিবী ববিতা কুমারিনা হৌজিক এসিয়ন গেমসকী মায়কৈদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা জপানিজ অমসুং চাইনিজ ওপোনেন্টশিংগা মায়োক্লবদা মখোয়বু লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক তোঙানবা লাল্লোং অমগী মীৎয়েং থল্লি।

মশাগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবী রেষ্টলর অসিনা থা অসিগী ১৯ দগী ওক্তোবর ৪ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী ইনচিওন সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকীদমক্তা মহাক্কী স্পিদ অমসুং টেক্টিক্কী মতাংদা ত্রেনিং চথুরি।

এসিয়ন গেমসতা য়াওরিবা রেষ্টলিং ইভেন্ট অসি য়াম্না শাখিনা অকনবা লম্বা ওইনা থেংনগদৌরিবনি। মসি তশেংনমক হায়রবদা ৱর্ল্ড নত্রগা ওলেম্পিক থাক্কা চপ মান্নে।

জপানিজ অমসুং চাইনিজ রেষ্টলরশিং অসি অসিগুম্বা ইভেন্ট অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙল্লি। মরমদি মখোয়না স্পিদকী মতাংদা য়াম্না ফজবা লাল্লোং অমা ওইনা শিজিন্নবা ঙম্মী। মখোয়বু লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি অকনবা অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না কনাদিয়ন ব্রটানি লভরদ্যুরবু মায়থিবা পীরম্লগা গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসকী কেজি ৫৫ গী ফ্রি ষ্টাইলদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবী রেষ্টলর ববিতানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা বুশান এসিয়ন গেমসতা নুপীগী রেষ্টলিং হৌদোকখিবা অদুদগী ঙসি ফাওবদা জপান্না গোল্ড মেদল তরুক য়াওনা খ্বাইদগী মেদল মশিং ফংবা ঙম্বা ওইরি। অদুগা চাইনানা গোল্ড মেদল অহুম ফংদুনা অনীশুবা তাখি।

ঐখোয়না মখোয়গী বাউথশিং অদু ভিদিও থাদুনা য়াম্না কুপ্না নৈনরি অমসুং কোচশিংগী মতেংগা লোয়ননা মখোয়বু লাকশিন্নবা হোৎনবগী লাল্লোং অদু য়াৎনবা হোৎনরি।

ঐখোয়গী মাইকৈদগী করম্বা টেক্নিক শিজিন্নগদগে হায়বদু য়েংলি। অহানবা খোঙথাং ওইনা কোচশিংনা ঐখোয়গী স্পিদ হেনগৎহন্নবগী মতাংদা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না এসিয়ন গেমসতা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবী ববিতানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অলকাটোমারনা কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা দোহা গেমসতা কেজি ৫৫ গী ফ্রিষ্টাইলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অমসুং কেজি ৬৩ গী ফ্রি ষ্টাইলদদি গিটিকা জখরনা সিলভর ফংখিবা অদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর অসিনা কন্টিনেন্টেল গেমসতা মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মেদল কয়া ফংবগা লোয়ননা কা হেন্না এক্সপরিএন্স লৈরবা রেষ্টলরশিং লৈবনিনা কম্পিটিশন অসি য়াম্না অকনবা অমা ওইরি। অমরোমদা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ৱেঠ কেটগোরি তরেৎ লৈবা অদুগা মান্নদবা মওংদা এসিয়ন গেমসতদি শুপ্নগী ৱেঠ কেটগোরি মরিখক্তমক লৈরি।

মরম অসিনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা রেষ্টলর অয়াম্বনা মখোয়না শরুক য়াবা কেটগোরিশিংদা চংননবা হোৎনরকপনা কম্পিটিশন অসি য়াম্না অকনবা অমা ওইগনি হায়না হরিয়ানাগী বলারিদগী হৌরকখিবী ববিতানা মহাক্কী ওইবা ৱাফম থমখি।

ইন্দিয়ানা ইনচিওন্দা মেম্বর ৪ না শাবা টিম অমা থাগদৌরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মচিন মনাও থোক্লিবী দিনেস ফোগট (কেজি ৪৮) অমসুং ববিতা কুমারি (কেজি ৫৫), গিতিকা জখর (কেজি ৬৩) অমসুং জোতি (কেজি ৭৫) নি।

গিটিকা অমসুং জোসি অসি ঐখোয়গী সেনিয়র ঙাক্তনি। গিটিকানা মমাংদা মেদল অমা ফংখ্রে অদুগা জোতিনা য়াম্না অৱাংবা থাক্তা এক্সপরিএন্স লৈরবা রেষ্টলরনি।

ঐহাক্না কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবা অদুগুম্না ইনচিওন্দসু ফংবা ঙমগনি হায়বসি থাজে। গ্লাসগোদা সনাগী মেদল ফংনবা হোৎনবদা পিখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা ইনচিওন্দা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীননবগী ইথিল অমা ঐঙোন্দা পিরে হায়না ববিতানা মখা তাখি।

অদুমক ওইনা য়াম্না টাইট ওইবা কেলেন্দরনা মরম ওইরগা ববিতানা থা অসিগী ৮ দগী ১৪ ফাওবা টাসকেন্টদা হৌগদৌরিবা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারোইদৌরি।

কম্মনৱেল্থ গেমস অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ লোয়ন লোয়ননা এসিয়ন গেমসকী মরক্তা য়াম্না চাওনা গেপ লৈতে। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক প্রেক্টিশ তৌনবা হোৎনবদা মতম হেন্না ফংদে। মরম অসিনা ঐহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরিবনি হায়না কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী ববিতানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নাপি অসি চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ইভেন্টনি অদুগা এসিয়ন গেমসনা চহী ৪ গী মনুংদা অমুখক্তমক পাঙথোকপনি। মরম অসিনা ঐহাক্না ইনচিওন গেমসতা ওইনা মতম পুমনমক্তা মীৎয়েং থমদুনা লাখিবনি হায়না ববিতানা হায়খি।

ইনচিওন্দা থা অসিগী ১৯ দগী ওক্তোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা নুপা অমসুং নুপীগী কাংলুপ্তা মেদল মশিং য়াম্না ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা চাউনা থল্লি। অদুবু নুপাগী কাংলুপ্তুদদি মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা খরদি গেমস অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।



# হান্না ব্রাজিল অমসুং বার্সেলোনাগী মিদফিল্ডর ওইরম্বা রোনালদিনহোনা মেক্সিকোগী ক্বেরেটরোগীদমক সাইন তৌখ্রে




ব্রাজিল, সেপ্তেম্বর ৬ ঃ
হান্না ব্রাজিল অমসুং বার্সেলোনাগী-দমক মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরম্বা ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা মিদফিল্ডর রোনালদিনহোনা মেক্সিকোগী ফর্ষ্ট দিভিজন ক্লব অমা ওইরিবা ক্বেরেটরোগীদমক শান্ননবা চহী অনীগী চুক্তি অমা সোই তৌনখ্রে।

ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দ ইয়র অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলিয়ন মিদফিল্ডর অসিনা মেক্সিকান ফর্ষ্ট দিভিজন ক্লবতা য়াওননবা সোই তৌনখিবা অসিদা মহাক্কী অপেনবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অমসুং ব্রাজিলিয়ন ক্লব এটলেটিকো মিনিরোগা কন্টেক্ট তৌনরম্বা অদু কেন্সেল তৌখ্রবা মতুং হৌখিবা জুলাই থাদা ফ্রি এজেন্ট অমা ওইনা লৈরকখিবনি।

মহাক্না পেরিসকী সেন্ট জর্নেল অমসুং এ সি মিলানগীদমক্তা মমাংদা শান্নরম্বনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগী ঙসিদগী হৌনা রোনালদিনহোনা ঐখোয়গী রেঙ্কতা য়াওহল্লকখিবা অসিদা অপেনবা পোক্লে।

মহাক অসি ইন্টরনেশনেল ফুটবোলদা শান্নরোই অমা ওইনা মমিং লৈরকখিবা অমনি। কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০০৫ তা মহাক্না ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দ ইয়র টাইটল ফংবা ঙমখিবনি। গেলোজ হায়রগা খঙনরিবা ক্লবনা ৱাফম অসি ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখি।

রোনালদিনহোনা পেরিস সেন্ট জর্নেল অমসুং এ সি মিলানগীদমক শান্নরকখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলিয়ন ক্লব অমা ওইরিবা এটলেটিকো মিনিরোগা কন্ত্রেক্ট তৌনবা তোকখ্রবা মতুংদা জুলাই থাদগী হৌনা মহাক ফ্রি এজেন্ট ওইরকখি।

ঐখোয়গী সহর অমসুং লৈবাক্কী অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা ফেনশিংনা রোনালদিনহোবু য়াওহল্লকপা অসিদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপদা শরুক য়াগনি হায়বসি ঐখোয়না থাজে। মহাক্না মমিং লৈরবা টিম অসিগী মপাঙ্গল খরা হেন্না কলহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী ওইবা এক্সপরিএন্স অদু পীবা ঙমগনি থাজে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক হৌজিক্না নিপালশুবা মফম কল্লিবা ক্লব অসিগী হান্না দিফেন্দর ওইরম্বা ইগনাসিও এমব্রিজনা কোচ ওইরিবা ক্বেরেটরোনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরকপগী মীৎয়েং মখাদা রোনালদিনহোবু য়াওহল্লকখিবনি।

মালেমগী অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা ক্লবশিংগা লিঙ্ক লৈনরকখিবা ব্রাজিলিয়ন ষ্টার রোনালদিনহোনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মেক্সিকোদা শান্নরকপা মতমদা মহাক্কী লকি নম্বর ওইনা য়ুনিফোর্মদা ৪৯ থাবা অদু ওইনা শিজিন্নগনি হায়খি।

ঐহাক্না মতম পুম্নমক্তা মেক্সিকোদা চৎপা মতমদা মিনু সিগনেল থম্বীরকপা অদু উবা ফংখি। ঐহাক্না ক্বেরেটরো রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিদা অদুক্কী মতিক পুক্নিংদা ইথিল অমা ফাওই হায়না রোনালদিনহোনা মহাক মশাগী ট্যুটর একাউন্টদা থাদোরকখিবা ৱারোলদা ফোঙদোরকখি।

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ২০১৪ গীদমক ব্রাজিলিয়ন টিম শেম্নবা হোৎনরকখিবা মতমদা রোনালদিনহো অসি হান্না ব্রাজিলিয়ন টিমদা য়াওহন্নবা মমিং পন্নখিবা ওইরগসু অরোইবা ওইনা ব্রাজিলিয়ন টিম শেম্বদা য়াওহল্লকখিদবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ব্রাজিলদা লৈরিবা ফুটবোলবু পামজবা ফেন কয়ানা অমদি লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী রোনালদিনহোবু ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ব্রাজিলগী টিমদা য়াওহন্দবগী মতাংদা ক্রিটিসিজম কয়া পিনরকখিবা লৈখিবনি।

হন্দক মেক্সিকোগী মমিং লৈবা ক্লব অমদা শান্ননবগী তাঞ্জা অমা ফংলকখিবা অসিগীদমক্তা হান্না ব্রাজিলগী মিদফিল্ডর ওইরম্বা অমসুং বার্সেলোনাদা শান্নরম্বা রোনালদিনহোনা অদুক্কী মতিক পুক্নিংদা হরাও তয়াম্বা পোকপা লৈ হায়না মহাক্কী ট্যুটরদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।







# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন্দা য়ঙ ফিজিক, ৱাই দি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৬ ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৫ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোং অমসুং ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী লমদোং লৈকাই মায় পাকখ্রে।

টিম ৬ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুং মখোংনা দি এম রাও অৱাং সেকমাই গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা য়ঙ ফিজিক্না মায় পাকচরবসু অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। হাফ মতুংদা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোইশিং অদুনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা গোল ২ থংন-থংননা চনশিল্লকখি। টিমদুগী অহানবা গোল অদু এল অবুংনা মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা এস চাওবনা চনখি।

য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন্না গোল ২ মাংজিল থাখ্রবদা গোল শোৎথরিবা দি এম রাওগী শান্নরোইশিং অদুনা গোল হন্দোক্লবা ফম্না কন্না হোৎনজরবসু গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ মায়থিখি। মেচ অদুদা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী এম রোবিন্দ্রো মেচকী ৬১ শুবা মিনিটতা, এন মিলন, মেচকী ৮০ শুবা মিনিটতা অদুগা দি এম রাওগী কে রঞ্জিৎ মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী লমদোং লৈকাইনা বি এম এস সি তাওবুংখোক গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা ৱাই দি ওগী শান্নরোইশিং অদুনা হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না বি এম এস সিগী মায়োক্তা গোল অমা হান্না চনশিনখি।

ৱাই দি ওগী গোল অদু এ ননাওনা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল শোৎথরিবা বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা এন সুরেসনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং ৱাই দি ওগী শান্নরোইশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকপনা গোল ২ থংন-থংননা বি এম এস সিগী মায়কৈদা চনশিনখি।

ৱাই দি ওগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল অদু এম্বোনি কবুইনা মথংশিংনা মেচকী ৪৬ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা ৱাই দি ওগী কে কিশন মেচকী ৫৫, ও রোসন মেচকী ৫৯ অমসুং বি এম এস সিগী এস রাহুল মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

# সোমদেব শাঙহাই চেলেঞ্জরগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসদা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

শাঙহাই, সেপ্তেম্বর ৬ ঃ
ঙসি ইটলিগী লুকা ভেন্যুদা অকনবা মওংদা মায়োক্লদুনা শান্নরবা মতুং মায়থিবা পীরম্লগা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টেনিস ষ্টার সোমদেব দেবর্ম্মন্না এ টি পি শাঙহাই চেলেঞ্জরগী সিঙ্গলস অমসুং দবলস ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

সোমদেব দেবর্ম্মন্না পুং ২ গা মিনিট ১৪ চংনা শান্নখিবা য়ু এস দোল্লর লিশিং ৫০ গী শেলগী মনা লৈরিবা হার্দ কোর্ট টুর্নামেন্ট অসিদা ভেন্যুবু ১-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

মতম চংনা শান্নরবা মতুংদা সোমদেব দেবর্ম্মন্না ইভেন্ট অনীমক্তা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি। মহাক্না ঙসি টাইটল অনী লৌননবা হোৎনগদৌরি। মালেমগী ওইনা ১৪৩ শুবা রেঙ্কতা লৈবা সোমদেবনা মহাক্কী রাইবেলবু থেংননবা হোৎনরকপদা অঙকপা মওংদা শান্নখি।

মহাক্কী লম্বা অসি মালেমগী ওইনা ১৭০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি। মহাক্না মশাগী সার্ব অদু ফেল ওইরবা মতুং অনীরক মায় পাকপা ঙমখি। ফাইনেলদা মহাক্না সিজন অসিগী ওইনা অনীশুবা টাইটল লৌবা ঙম্নবা জপানগী য়োসিহিটো নিসিওকাগা থেংনগদৌরি।

মহাক্না চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০ শেলগী মনা লৈবা দেল্লি ওপন মায় পাকপা ঙমখিবনি। দবলসকী ফাইনেলদদি ইন্দিয়া ঙাক্তনা থেংনরগনি।

সনম অমসুং সোমদেবনা য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং দিগিজ সরনগা শান্নগনি। য়ুকি অমসুং দিগিজনা সেমি ফাইনেলদা টাইপৈগী জুরা ওইরিবা টি চেন সি য়েন-য়িন পেংবু ৭-৬ (২), ৭-৬(২) দা মায়থিবা পীরম্লগা দবলসকী ফাইনেল চঙবা ঙল্লকখি।

